অনীশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন অমসুং অন্দর-১৬ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮

# নুপাগীদা কে ঐচ এস সী খোংমন অমসুং এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন খুনৌ, নুপীগীদা পি ঐচ এ এম মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএন এস) ঃ মণিপুর হোকিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী এষ্ট্রো টর্ফ হোকি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন অমসুং অন্দর-১৬ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী নুপাগী মেচশিংদা নুপাগীদা কে ঐচ এস সী খোংমন অমসুং এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন খুনৌ মায় পাকখ্রে। অদুগা চহী ১৬ মখাগী নুপীমচাগীদা পি ঐচ এ এম ইম্ফাল মায় পাকখ্রে।

চহী ১৬ মখাগী নুপীগী কেটাগোরিদা টিম ৭না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী অমসুং চহী ১৪ মখাগী নুপাগী কেটাগোরিদনা টিম ৯না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন অমসুং অন্দর-১৬ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী নুপামচাগী তরুকশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী ঐচ দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন খুনৌ শান্নখি।

মেচ অদু অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা ঐচ দব্লিয়ু সী লংথবালনা এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন খুনৌবু লাকচনা শান্নখি। মেচকী অহানবা মিনটতা ঐচ দব্লিয়ু সীগী জর্সি নম্বর ১১ এ এলেক্সনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মিনট ৩ কান্নরগা মেচকী ৪শুবা মিনটতা ঐচ দব্লিয়ু সীগী জর্সি নম্বর ৫ এস সেমসন্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। এস ৱাই য়ু সীগী মায়কৈদগীসু ঐচ দব্লিয়ু সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অনী অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ৮শুবা মিনটতা এস ৱাই য়ু সীগী জর্সি নম্বর ৬ এল রিভালদোনা ঐচ দব্লিয়ু সীগী মাঙজিল থারিবা অহানবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-২দা লৈখি। রিভালদোনা চনখিবা গোল অদুগী মিনট ২ কান্নরগা ঐচ দব্লিয়ু সীগী এ এলেক্সনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ঐচ দব্লিয়ু সীনা গোল ৩-১দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী অহানবা মিনট হায়বদি ২৬শুবা মিনটতা এস ৱাই য়ু সীগী জর্সি নম্বর ৬ এল রিভালদোনা ঐচ দব্লিয়ু সীগী মাঙজিল থারিবা অনীশুবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু এস ৱাই য়ু সীনা গোল ২-৩দা লৈহনখি। মেচকী ৩৪শুবা মিনটতা এস ৱাই য়ু সীগী জর্সি নম্বর ১৯ আর কে ধনেন্দ্রজিৎনা ঐচ দব্লিয়ু সীগী অহুমশুবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ৩-৩দা ইক্বেলাইজ তৌখি।

মেচকী ৩৫শুবা মিনটতা ঐচ দব্লিয়ু সীগী এ এলেক্সনা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চন্দুনা হেটট্রিক লৌরগা মেচ অদু ঐচ দব্লিয়ু সীনা গোল ৪-৩দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। এস ৱাই য়ু সীগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নরকপা উখি। মেচকী ৩৮শুবা, ৪২শুবা অমসুং ৪৪শুবা মিনটতা এস ৱাই য়ু সীগী জর্সি নম্বর ৬ এল রিভালদোনা গোল অহুম মথং-মথং চনশিন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ৬-৪দা লৈখি। মেচকী ৪৫শুবা মিনটতা এস ৱাই য়ু সীগী জর্সি নম্বর ৮ এস উমরনিলানা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস ৱাই য়ু সীনা ঐচ দব্লিয়ু সীবু গোল ৭-৪দা মায়থীবা পীখি।

কেটাগোরি অসিগী ৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবা মতমদা অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী এস ঈ ৱাই ও ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায় অমসুং কে ঐচ এস সী খোংমন শান্নখি। মেচ অদু কে ঐচ এস সীনা এস ঈ ৱাই ওবু গোল ৫-২দা মায়থীবা পীখি। কে ঐচ এস সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২ এল সামসন্না গোল অহুম, জর্সি নম্বর থ্রি এল সিলহৈবা অমসুং জর্সি নম্বর ৫ কে এস ঐচ বোরিসনা গোল অমমম চনখি। মায়থীহৌরবা এস ঈ ৱাই ওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৫ এন পুনিচন্দ্রনা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৬ মখাগী নুপীমচাগী মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা গ্রুপ এগী পি ঐচ এ এম ইম্ফাল অমসুং কে ঐচ এস সী খোংমন শান্নখিবা মেচ অদু পি ঐচ এ এমনা গোল ২-১দা মায় পাকখি।

৭শুবা ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট

# শিংজমৈ কেন্দ্র-এ কাংখূৎনা শগোলবন্দ কেন্দ্র কাংখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ শিংজমৈ কাঙখূৎ চীংঙা-মথকনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমদি পুন্যবতিগী মীংদা হরে কৃষ্ণ অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংনা স্পোন্সর তৌদুনা চথরিবা ৭ শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা শিংজমৈ কেন্দ্র - এ কাংখূৎনা শগোলবন্দ কেন্দ্র কাংখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে।

কাংখূৎ ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ৭শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা গ্রুপ এগী শিংজমৈ কেন্দ্র-এ কাংখূৎ অমসুং শগোলবন্দ কেন্দ্র কাংখূৎ শান্নখি।

মেচ অদু শগোলবন্দ কেন্দ্র কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা শিংজমৈ কেন্দ্র - এ কাংখূৎনা মায়কৈ খনখি। কাংখূৎ অনীনা হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাপ্লখিবা কাং অদুগী অরোইবা মতম লোইশিল্লকপদা শিংজমৈ -এ কাংখূৎনা শগোলবন্দ কাংখূৎপু পাঞ্জল ১৭-১১দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা পি ঐচ তোঞ্জাও শর্ম্মানা অম্পয়র অমসুং এম ঈথোইনা স্কোর কিপর ওইনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা থা অসিগী ২০ অমসুং ২১দা শান্নগদবা মেচ অদু য়ৈথোকখ্রে। সেপ্টেম্বর ২৩দা ওইনাম অমসুং থাংমৈবন্দ শান্নগনি।

# সাইখোম নেলসিরোজ হরাউ তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএন এস) ঃ ওদিষাগী কটক্তা থা অসিগী ১২দগী ১৬ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চূপ্পা পাঙথোকখিবা ২০শুবা সব জুনিয়র অমসুং ১৫শুবা কেদেট নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮-১৯দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াদুনা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী সাইখোম নেলসিরোজ ঙসি হরাউ তরাম্না ওকখ্রে।

গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী সাইখোম নেলসিরোজনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসন (এম এফ এ) গী ওফিসল, খাঙবোক পার্ট থ্রি মখা লৈকায়দা লৈবা য়ুনিয়ন ক্লবকী মীওইশিং অমসুং য়াল্লবা মীয়াম্না লৈ পরেং হুক্তুনা হরাউ তরাম্না ওকখি।

সাইখোম নেলসিরোজ মীয়াম্না এয়রপোর্টতা ওক্লবা মতুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খাঙবোক পার্ট থ্রি মখা লৈকায়দা রাইজিং য়ুনিয়ন ক্লবনা ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

ক্লব অসিগী ওফিসিএল মেম্বর অমদি লৈকায়গী মীয়াম্না মেদল লৌরক্লবী সাইখোম নেলসিরোজপু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা লৈ পরেং অমদি মমেন্তোনচিংবসু খূৎশিন্নখি।

রাইজিং য়ুনিয়ন ক্লবতা ওক্লবা মতুং নেলসিরোজনা তম্লিবা খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলদসু ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ষ্টাফশিং অমদি মহৈরোয়শিংনসু নেলসিরোজপু লৈ পরেং হুক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোকখি হায়না রাইজিং য়ুনিয়ন ক্লব, খাঙবোক পার্ট থ্রি মখা লৈকায়গী সেক্রেটরি টি ঐচ দেনিসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

পনবা য়াবদি, ওদিষাগী কটক্তা পাঙথোকখিবা ১৫শুবা কেদেট নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা সাইখোম নেলসিরোজনা কেদেটকী কেটাগোরিদা গোল্ড মেদল লৌরকপা ঙম্লকখিবনি। সাইখোম নেলসিরোজ খাঙবোক্তগা লৈবা সাইখোম মনাও অমসুং সাইখোওংবী কুঞ্জমনিগী মচানুপীনি।

## বোদিবিল্ডিং কন্টেষ্ট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক তোপ চীংথাগী লময়ানবা জিম য়াইরিপোক্না শীন্দুনা থা অসিগী ২৯দা মিষ্টর লময়ানবা ষ্টেট লেভেল বোদিবিল্ডিং কন্টেষ্ট ২০১৮ পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু থা অসিগী২৮দা ওইনা পাঙথোক্লগনি। কন্টেষ্ট অসিগী অৱাংবা অমসুং অরূম্বা ওনবগী মতমনা থা অসিগী ২৭তা লময়ানবা জিম য়াইরিপোক্কী ওফিসতা অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি। অকূপ্পা মরোল মোবাইল নম্বর ৯৬১২৪২০৩৪৬/৭৬২৯০৮৩১২১দগী খঙবা য়াগনি হায়না লময়ানবা জিম য়াইরিপোক্কী জেনরেল সেক্রেটরি এল নোরেন মীতৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## য়ুথ ফেষ্টিবেল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ওফিসর থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা ওক্টোবর ৪দা চহী ২৯ মখাগী নুপা অমসুং নুপীগী ওইবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল য়ুথ ফেষ্টিবেল কম্পিটিসন দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপেলক্স ৱাংজিংদা পাঙথোক্লগনি। ওক্টোবর ৫দা চহী ২৯ মখাগী নুপা অমসুং নুপীগী ওইবা কক্চীং দিষ্ট্রিক্ট লেভেল য়ুথ ফেষ্টিবেল কম্পিটিসন কক্চীং দিষ্ট্রিক্টকী ইন্দোর হোলদা পাঙথোক্লগনি। কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ানীংবশিংনা দি ৱাই এস ওগী ওফিসত্তগী অকূপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# এম য়ু ইন্টর কোলেজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএন এস) ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা থম্বাল মরিক কোলেজ (টি এম) সীনা শীন্দুনা থম্বাল মরিক কোলেজকী বোল্লিবোল গ্রাউন্দদা ঙসিদগী থা অসিগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপা অমসুং নুপীগী এম য়ু ইন্টর কোলেজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ হৌদোকখ্রে।

নুপাগী ওইনা টিম ৯ অমসুং নুপীগী ওইনা টিম ৬না শরুক য়াদুনা নোক আউট বেসিষ্টতা পাঙথোকপা এম য়ু ইন্টর কোলেজ বোল্লিবোল মেন এন্দ ৱিমেন টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ হৌদোকপগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুপাগী কেটাগোরিগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা দি এম কোলেজ ওফ আর্টস অমসুং ময়ায় লম্বী শান্নখি।

মেচ অদু হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা ময়ায় লম্বী কোলেজনা লাকচরপ তৌনা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ময়ায় লম্বী কোলেজ (এম এল) না দি এম কোলেজ ওফ আর্টস (দি এম এ) বু সেট ৩-০ (২৫-১০, ২৫-১৯, ২৫-১৫) দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কেটাগোরিদনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা দি এম কোলেজ ওফ আর্টস অমসুং দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স শান্নখি। মেচ অদুদা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী টিম্না দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী টিম্বু লাকচনা শান্নখিবনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসনা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সবু সেট ৩-০ (২৫-১১, ২৫-১৪, ২৫-১৫) দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা বিরমঙ্গল কোলেজ অমসুং দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স শান্নগনি। অনীশুবা গ্রাউন্দগী অয়ূক পুং ৯ তাবা মতমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং ইম্ফাল কোলেজ শান্নগনি। অদুগা অহুমশুবা গ্রাউন্দগী অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজ অমসুং মণিপুর কোলেজ শান্নগনি। নুপীগী কেটাগোরিগী অয়ূক পুং ১১ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা মোর্দন কোলেজ অমসুং এম য়ু শান্নগনি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা থম্বাল মরিক কোলেজ (টি এম সী) অমসুং দি এম কোলেজ ওফ আর্টস শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা লিবরেল কোলেজনা মোর্দন কোলেজ অমসুং এম য়ু কোলেজকী অথোইবগা শান্নগনি।

# ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শরুক য়ারুবা অমসুং মেদল লৌরকখ্রবী মণিপুরগী এরোবিক জিম্নাষ্ট তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ মোঙ্গোলিয়াগী কোনুং উলানবটারদা থা অসিগী ১৪দগী ১৬ ফাওবা জিম্নাষ্টিক্স ফেদরেসন ইন্টরনেসনলগী মীৎয়েং মখাদা এসিয়ন জিম্নাষ্টিক্স য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা অহানবা এরোবিক জিম্নাষ্টিক্স এসিয়ন কপ ২০১৮দা শরুক য়ারুবা অমসুং মেদল লৌরকখ্রবী মণিপুর এরোবিক জিম্নাষ্ট শান্নরোয়শিং খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা তরাম্না ওকখ্রে।

ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা এসিয়ন কপ অসিদা মেদল লৌরকখ্রবী শান্নরোয়শিং অদুদি এজ গ্রুপ টুগী এরোবিক জিম্নাষ্টিক্তা থোকচোম ময়াবতিনা সিলভর অমসুং এজ গ্রুপ ৱান কেটাগোরিগী এরোবিক জিম্নাষ্টকী ইভেন্টতা অরিয়া পাঙম্বমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। টিম অদুদা শরুক য়াখিবা এজ গ্রুপ টুগী এরোবিক জিম্নাষ্টিক ইভেন্টতা স্নেহা ইরেংবম্না মরিশুবা পোজিসন তাখি। মণিপুরগী এরোবিক জিম্নাষ্ট টিম অসি ইন্টরনেসনল জজসু ওইরিবা য়ুম্নাম রঞ্জন্না কোচ ওইনা শরুক য়াখিবনি।

ওকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা য়াসকী দিরেক্টর এমষ্ট্রোং পামৈনা হায়খি, এরোবিক জিম্নাষ্টিক্কী মশান্না অসিবু চাওখৎহন্নবগীদমক অঙম্বা মতেং পাংগনি।

নীংশিংবা য়াই, জিম্নাষ্টিক্সকী দিসিপ্লিন অসিগী মনুং চল্লিবা এরোবিক্কী মশান্না অসিদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা হৌখিবা চহী ৩০ রোম অসিদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মেদল লৌবা ঙমখিদবা অদু হন্দক সিলভর মেদল অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অমমম লৌদুনা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙম্লি।

## মণিপুরনা উত্তরখণ্ডগী মায়োক্তা নোংগী গোল হৈথখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ ওদিসাগী কটক্তা লৈবা বরবটি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ২৪শুবা সেনিয়র ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা মণিপুরনা উত্তরখণ্ডগী মায়োক্তা নোংগী গোল হৈথখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ৱিমেন নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অসিগী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি মণিপুর অমসুং উত্তরখণ্ড শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী হৌনা মণিপুরনা উত্তরখণ্ডবু লাকচনা শান্নখি।

অহানবা হাফকী ২শুবা অমসুং ৪শুবা মিনটতা মণিপুরগী এন জি বালানা গোল ২ থংনা থংননা চনশিন্দুনা মণিপুরগী গোল একাউন্ট হাংদোকপদা নত্তনা মেচ অদু গোল ২-০দা মাঙজিল থাখি। উত্তরখণ্ডগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা মণিপুরনা মাঙজিল থারিবা গোল ২ অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

মেচকী ৫৫শুবা মিনটতা মণিপুরগী এস রিনারোয়, মেচকী ৮৩শুবা মিনটতা কাসমিনা, মেচকী ৮৫শুবা মিনটতা এম মন্দাকিনি অমসুং মেচকী ৯১শুবা মিনটতা আই প্রামেশ্বরিনা গোল অমমম চনখি। অদুগা মেচকী ৭৭ অমসুং ৯৯শুবা মিনটতা এন রতনবলানা গোল অনী চন্দুনা মেচ অদু মণিপুরনা উত্তরখণ্ডবু গোল ৯-০দা মায়থীবা পীখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ২৩দা মণিপুরগা পুদুচেরিগা শান্নগনি হায়রি।

১৮শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮

# বিজয়পুর এফ সীনা নীংশিং মেমোরিএল ক্লব অমসুং হেন্সম বোইজনা মীনৌ এফ সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ মাইপৌ সোক্কর য়ুথ দিভ্লপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (এম এস ৱাই দি ও) না ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসন (এ এম এস এ) গী মীৎয়েং মখাদা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপগুম কুমসি চহীগী ওইনা ১৮শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা বিজয়পুর এফ সীনা নীংশিং মেমোরিএল ক্লব অমসুং হেন্সম বোইজনা মীনৌ এফ সী মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী টিম ৬৫না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা বিজয়পুর এফ সী অমসুং নীংশিং মেমোরিএল ক্লব (এন এম সী) শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল চন্নবা এটেক কয়া চথনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা গোল ০-০দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীগী মায়কৈদগী মেচ অদু থোইনবগীদমক গোল চন্নবা হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা বিজয়পুর এফ সীনা নীংশিং মেমোরিএল ক্লব (এন এম সী) বু গোল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা মীনৌ এফ সী অমসুং হেন্সম বোইজ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি।

অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল ওন্থোকপা ঙম্খিদে। মেচকী ১০শুবা মিনটতা মীনৌ এফ সীগী কে ঐচ মোমো দামগ্রে অমসুং মেচকী ২০শুবা মিনটতা মীনৌ এফ সীগী এন সী মাওলুংনা ফাওল তৌরুবগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল চন্নবগীদমক তকখৎলগা শান্নরকখি। অদুবু টিম অনীগী মায়কৈদগী অমনা অমবু দিফেন্দ তৌনদুনা শান্নখিবনা গোল ওন্থোকপা ঙম্মদবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা হেন্সম বোইজকী জর্সি নম্বর ৪না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু হেন্সম বোইজনা মীনৌ এফ সীবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা সী ঐচ অংসুম, জোন, আই গোবিন, দি মোচৌ, য়ু প্রেমসন্না মেচ কম্মিস্নর, রেফ্রি, এ আর ৱান, এ আর টু অমসুং ফোর্থ ওফিসল ওইনা শরুক য়াখি। অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতনা সী ঐচ অংসম, টি কোবেন, এম কোথাং, দি মোচৌ অমসুং সী ঐচ প্রেসন্না মথংশিংনা মেচ কম্মিস্নর, রেফ্রি, এ আর ৱান, এ আর টু অমসুং ফোর্থ ওফিসল ওইনা শরুক য়াখি।

# সুনিল ছেত্রিনা বেঙ্গলুরু এফ সীগী টিম আই এস এলদা অমুক্কসু লুচিংদুনা মায় পাক্লবা হোৎনগদৌরি

বেঙ্গলুরু, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী) ঃ থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা বেঙ্গলুরু ফুটবোল ক্লবকী টিম ইন্দিয়াগী নেসনল ফুটবোল টিমগী কেপ্তেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা লুচিংদুনা মায় পাক্লবা হোৎনগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, বেঙ্গলুরু এফ সী মমাঙগী সিজন্দা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। টিম অসিগী মায়কৈদগী হৌখিবশিংদা টিম অদুগী শান্নরোয় ১২ খনগৎতুনা থল্লবা মতুং হন্দক্কী সিজন অসিদা ক্লব অসিগী বি টিমদা লৈবা নহা ওইরিবা শান্নরোয় ৫ হাপচিন্দুনা অরিবা অমসুং অনৌবা শান্নরোয় অনীগী য়ানবা টিম অমা শেম্লি।

বেঙ্গলুরু এফ সীগী টিমদা মণিপুরদগী হৌখিবা উদান্তা, বোইথাং হাওকিপ অমসুং থোখোসিয়েন হাওকিপ শরুক য়ারি। হায়রিবা শান্নরোয় অহুম্মক বেঙ্গলুরু এফ সীখক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমদসু খনগৎপদসু য়াওরিবা শান্নরোয় ঙাক্তনি।

মখোয় অহুমদা নত্তনা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান গোল কিপর গুরপ্রিট সিংহ সন্ধু ক্লব অসিগী নম্বর ৱান গোল কিপর ওইনা শরুক য়ারি। দিফেন্দর রাহুল ভেকি অমসুং হরমনজোট খাবরাসু টিম অসিগী সেনিয়র শান্নরোয় ওইনা হন্দক্কী সিজন অসিদা শরুক য়াগদৌরিবনি। নহা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মণিপুরদগী হৌখিবা বিদ্যানন্দা য়াওনা অতোপ্পা ইনিদয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটতগী অশির অখটর, অক্তামাস সায়িদ, অদিত্য পত্র অমসুং অজয় ছেত্রি বেঙ্গলুরু এফ সীগী আই এস এল কম্পিটিসন্দা শরুক য়াগদৌরি।

# ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল ত্রায়ল সেলেক্সন ২০১৮ থৌবাল এন্দ কক্চীং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়াগী ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়রি।

চহী ১৯ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী বেল্ট রেষ্টলিং মশান্নগী ত্রায়ল সেলেক্সন ওক্টোবর ৪দা, জীট কুনেদো মশান্নগী ত্রাইএল সেলেক্সন ওক্টোবর ৫দা, কিক বোক্সিং মশান্নগী ত্রায়ল সেলেক্সন ওক্টোবর ৫দা অমসুং ভোভিনাম মশান্নগী ত্রায়ল সেলেক্সন ওক্টোবর ৫দা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা পাঙথোক্কনি। অদুগা চহী ১৪, ১৭ অমসুং ১৯ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ভোভিনাম মশান্নগী ত্রায়ল সেলেক্সন ওক্টোবর ৫দা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ওফিসর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট আই পুর্নিমাসিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ত্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানীংবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং কক্চীং দিষ্ট্রিক্টকী স্কুল প্লেয়রশিংনা এন্ত্রি ফোর্ম থা অসিগী ২২দগী লৌবা য়াগনি। অদুগা ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা ওক্টোবর ১দা ওইগনি হায়রি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com